## এডিটোরিয়েল

# লৈঙাক্কী খূঙ্গং চৎলো প্রোগ্রাম

*অনৌবা মণিপুর লৈঙাক্না চীং অমসুং তম পূনশিন্ননবা হোৎনরকপা মতমদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা চীংদা চৎলো হায়বা প্রোগ্রাম অমা শিন্দুনা মদুগী মখাদা চীংগী লমশিংদা থেঙনরিবা খুদোংচাদবা অমদি লম্বী- থোংদা লৈবা প্রোব্লেমশিং অমদি চীংগী লমদা করিগীদমক লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিয়েলশিংনা চৎনিংদ্রিবনো হায়বদুগী মতাংদা য়ান্না কুপ্না নৈনবগা লোয়নননা লৈঙাকসিনা হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অদু মখা তানা লৈহন্দনবা হোৎনখ্রে। মসিমক লৈঙাকসিগী অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখ্রবা মতূং মখা তানা খূঙ্গংশিংদা চৎলগা লৈরিবা অৱাং-অপা কয়া অদু য়েংশিন্নবা অনৌবা থৌরাং অমা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলকপা হায়বসি চীং অমসুং তম অনীমক চপ মান্নবা থাক্তা চাউখৎহন্নবা শিল্লকপা থৌশিল অমনি। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টর অসিগী থৌশিল অসিমক মীয়ান্না থৱাই য়াউনা মায় পাকপা থৌশিল অমা ওইহন্নবা হোৎনবা তাই হায়না খল্লি। হন্দক্কী থৌশিল অসিদা পোলিটিকেল ওইবা এদভান্টেজ কয়া লৌনরক্লবগী অহোবা অমদি অদুমক লৈতবা নৎতে। অদুবু করিগুমবা মীয়ান্না লৈঙাক্কী অনৌবা থৌশিল অসিগী মতাংদা অফ-ফত্তা কয়া য়েংলবা মতুং করিগীদমক চীং অমসুং তম অমদি লোয়ালমগী মনূং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসি খঙদবদগী ৱারৌদুনা পোলিটিকেল ওইবা ইহৌশিংদা ৱাখল তাদনা সপোর্ট তৌখিবগী মরম অমসু ওই। অদুবু ঙসিগী লৈঙাক্না খূঙ্গংদা চৎলগা লৈঙাকসিগী মখাদা লৈবা টোপ ইকজিক্যুটিব ওফিসারশিংনা ওফিসকী টেবলদা ফম্লগা লৈঙাক চল্লাইদুনা লৈরম্বা অদুগী মহুত্তা খূনমীশিংগা শোয়দনা উন্নগদবনি হায়বা থৌশিল অমা পায়খৎলকপসি মীয়ান্না তরান্না ওকফম থোকই অমসুং মসিদগী পুরকপা কানবা অদুনা চীংমী অমদি তম্মীগী মরক্তা অনৌবা অচেৎপা মরী অমা মহৌশাগী মওংদা পুরকপা ঙন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অমসু ওইগনি হায়না লৌফম থোকই। হৌজিক লৈরিবা ইসুশিং অসি মমাংগী লৈঙাক্না চীং অমসুং তম হায়না খায়দোল্লম্বা অমদি পোলিটিকেল গেন খরা ফংনবা হোৎনবদা মীয়ামগী হক অমসুং মখোয়দা পীগদবা লৈঙাক্কী ওইবা য়াইফ- থৌরাং কয়াগী মখাদা লৈরিবা স্কিমশিং অসিগী খুদোং চাবদু ফংহন্দবদগী থোকপা প্রোব্লেম অমনা হৌজিক্তি লৈবাক্কী ওইনা থাদরকপা সিটিজেনশিংগী হক পূন্নমক শোয়দনা ফংহনগদবনি অমসুং পীরিবা কান্নবা পূন্নমক মীয়ামদা ফংহনবগীদমক থৌশিল অদুবু শিন্নরিবা ওফিসার পূন্নমক্না হকথেঙননা য়েংশিনগদবনি হায়বা থৌশিল অমা লৈরবনিনা মীয়ান্নসু লৈঙাক্না পীরিবা কান্নবা পূন্নমক লৌনবা হোৎনবা তাই অমসুং মদুদা কনাগুম্বনা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নরম্বা তারগদি খুদক্তা রিপোর্ট তৌদুনা বেনিফিসরিশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা চাকথুং খুদিংমক লৌহৌনবা অচৌবা তাঞ্জা অমা লৈঙাকসিনা পীরি হায়বসি খঙবগী মথৌ তাই। মসিদা গ্রাসরুট লেভেলদা লৈরিবা পঞ্চায়ট বোদিশিংনসু মতেং পাংশিল্লগা মনিপুর লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিম খুদিংমক্কী খুদোঙ চাবা অদু ফংফম থোকপা মীওইবা অমদি ইমূং -মনূংদা ফংহন্নবা হোৎনবদা পূকচেল শেঙনা থবক তৌবগী মথৌ তাই।*

*অদুনা মণিপুরদা চিফ মিনিষ্টরনা পায়খৎলিবা মমাংগী থৌরাংশিংদা মীয়ামগা উনবা অমসুং চীংগী লূচিংবশিংগা উন্নবগী থৌরম কয়া লেপ্তুনা চত্থরকপদু মায়পাকপা উবা অমদি মদুনা চীংমী -তম্মী অনীগী মরক্তা নকশিন্নবা অমা পুরকপা ঙমবদগী অনৌবা খূঙ্গং চৎলো হায়বগী প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলকপনি। মসিনা হেন্না লৈঙাক্কা মীয়ামগা লৈনবা মরী অদু নকশিলহন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা মীয়ান্নসু লৌফম থোকই অমদি অসিগুম্বা থৌরাং অমা পায়খৎপা মতমদা মদুগী মরু ওইবা কয়াদু খল্লগা ষ্টেটসিগী অপূনবা মওং অমদা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরিবনি হায়না লৌবগা লোয়নননা করিগুম্বা থৌশিল অদুগী কান্নবা অমসুং কান্নদবদু য়েংলগা মীয়ান্না লৌরকপা ৱারেপ অদুগী মতূং ইন্না চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অদু পাংথোক্নবা হোৎনবা তাবনি। অসিগুম্বা থৌশিল অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খূৎ চঙবা তারগদি লৈবাক মীয়ামগী ওইনা লৌরিবা অমসুং চাউখৎহন্নবনি হায়রিবা স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়া অসি মায় পাকপা ঙমদবসু য়াই অমদি ষ্টেটসিগী চাউখৎথৌরাংদা মদুনা য়ান্না চাউনা শোত্থবা অমা ওইহল্লকপসু য়ারিবনি। মসি পূন্নমক খঙনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা চাউখৎপগী মমি শাল্লবা মফমদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না মখোয়গীদমক পায়খৎলিবা য়াইফা তৌরাংশিং অসিবু তরান্না ওক্লবগীদমক লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা মীয়ামগা উন্নহৌবগী তাঞ্জা অদু শোয়দনা লৌহৌবগী মথৌ তাই হায়বসি খঙহন্নিংই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মীতে কাঙলূপ মুৎখিগদ্রা চিংনদবা ঙমদে

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

হৌজিক ফাওবা ইজ্জৎ লৈবা তান্নবগী লমজেলদা য়াংবা তান্নরিঙৈ ঙসিদি মীতোপ্পা সহর খুদুম চনখ্রবনিনা-কুইররোই হান্নদগী মীনাই ওইবগী হৈনবী মপুং ফারগনি। য়েংউ য়েংউবা খুদিং নহামখৈনা নিষাদা ঈরুপ্পা তান্নরি নুপী-লৈশাবী মৌ নহামখৈনা ফী থোংবা তনবা তান্নরক্লি। ঙাইহাক লৈতে ইজ্জৎ মাংহল্লম্লে, হাৎলম্লে হুন্দোক্লম্লে ঐখোয় মশেল ঙাক্তা ওইরি। অহৈ অহৈবা অফাওবা মাইবা মাইবী কয়াগী শেন্দাল ওইরিবা পোৎশেম যাদু, মন্ত্রশিংনা মপা, মচা, মচিন মনাওশিং ঙাও-ফৈদুনা চৎহন্নবা মপোৎ মরল মুন্নবগী লমজেলসু য়াওরক্লি। মাইবনা হায়রবনি হায়দুনা পোৎশেম থম্বা চংগদৌরিবা ইমুংদুগী অমাংবা কোৎহল্লগা ইরুজহনবসু য়াওরি। লৈখিদ্রবা মপাগী থৱাই মাইবনা কৌথোক্লগা নুংশিনদবা ইমুং অদুগী মীওইশিং থেংনহন্দুনা ঙাও-ফৈহন্না মাংনবসু শাগৈ নংতৈ মশেল নিঙোল হল্লকপীশিং থৱাই য়াওরি। ভারত সরকারনসু ফজবা অশেম্বা ৱারী তাহন্দুনা অঙাংসু ফেমিলি প্লানিং মেডল পীদুনা অমা নৎত্রগা অনীগী চাকথুং পীরি। মসিদা টিকি পীজরগা থাগৎপদা হরাওজবা জাৎ অৱাংবা লুহুপ উপচবা কয়ানা তুংগী পোরম খঙদবদগী ঙসি ঙসিমক ঐখোয় পূন্নমক মীনায় ফীদা ফমগদৌরে। ঙসিগী লুচিং ফীদা ফমলিবা লৈঙাক মপু ওইরিবসিসু মীতৈগী ডুপ্লিকেৎ ওইবা মরমদগী হৌজিকসু তুমদবা মী হৌদোকপগুম লৈথোক্লি। লমদম অসিগী মীতৈ এম পি অসিসু মীতৈগী হৌরকখিবগী ৱারী খঙদবা অঙ্কদা ঙাওবা মী থাগৎলবনিনা মীতোপ মীয়ামগী মখাদা মীনায় ওইনা হীংবা তাবনি। মসি পূন্নমক কংগ্রেস সরকার অসিগী মরাল ওইগদৌরিবনি। হৌজিক কুম্মৈ ফীওংদা ঙাওরিবা লান্ন-তৌরমশিংদা লুহোং কৈহোংবদা শেল থাবদা অথোয় অহেন নুপী ফাওবা য়াওনা তান্নরক্লি। লুহোংবগী বরদা শেল থাবা, বর মমাদা শেল থাবা শেল চায়বা তৌদুনা নুমিৎ অদুগী মীয়ামশিংবুসু মতম মাংহল্লি। ইশাগী জাতি চৎনবীশিং ধর্ম্মগী লাইনিংগী ৱাংমদা মীতোপশিংগী লৈরিবা চৎনবী পূন্নমক্তসু শরুক য়াশিন্দুনা মশাবু মমল য়াওহঞ্জদে। মশানদি মহাক সঙ্গ য়াম্না চাওবা মীওই অমনি হায়না মশা মথন্তনা খঞ্জবা ঙমই। ঐখোয় করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি ঙসিগী মিনিষ্ট্রিশিংসু অফিসার খুদিংমকসু খন্থবা অমত্তা য়াওদবনা ঙরাংতা লাকইবা মীতোপ কাঙবুনদি ভেং কয়া শেমদুনা ইম্ফাল সহর পায়শিনখ্রে। লমদম অসিগী অখঙ অহৈ লাইরিক হৈবা কয়াসু রিজার্ব চৈশু উবদা স্যার! স্যার! কোইতান তান্নদুনা ইন্নরি। লৈবাক কনদৌরিবনি হায়দুনা লৈরিবা সংস্থান খরনসু ১৯৫১ না বেজ ইয়ার ওইহনবদা মীগীদমক মমা কায়নৌ হায়বগুম্না য়ানিংদবা উৎলি। অশেংবা অচুম্বা হায়বদা মীতোপকীনিবু হায়রবদি অচুম্বা খুদিংমক য়েক্লবা ওইরে। লমদমসিগী তম্পাক্কী শরুক খরদং লৈরিবসিদা ঙসিদি ভেং কোলোনি কয়ানা শৌগ্রী হৌবগুম হৌরক্লে । মসিদসু অমুক হোমলেণ্ড মেপ য়েকখৎলক্কুনা কোইয়েন য়েনলি। ঙসিগী লমদমসিবু কন্ননবনি হায়দুনা সংস্থান কয়া অরোৎপদগী অফোংবদগী লৈরিবা ময়াম পূন্নমক্না খঙবা ঙমদবদৌনা লৈরি। ময়েক উ-ঙমদ্রবা লমদমসিগী নিংথৌনসু তাদ্রবা না পান্দুনা ঙসিদি লৈমা জগোয় য়েংদুনা পার্সেন্টেজ মোন খাংলিঙৈ বন্দ ব্লোকেড ফিল্ম কাপ্তুনা ইজ্জৎ মাংহনখিবগী শৈরেং তারিঙৈ টি ভি দা শক উৎলিঙৈ, লৌবুক খুদিং ট্রেন খোঙ্গুল তাহন্দুনা মীরম খোংতেক মীত্তাং কৌশিন্দুনা মীতৈ কাঙলুপতি শোইদনা মুৎখগদ্রা পাখত্তবা ঙমদে।

অদোমগী,
এস রাই চনু
ইম্ফাল

# মৈতৈগী নাৎতা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী খুদোল– ১

নোংথোম্বম অমরজিৎ সিংহ

মালেম অসি শক-চু তিন্নদবা, ফিজেৎ-চাকচা খেন্নবা, লাইনীং লম্বী মান্নদবা মীওই কাঙলূপ কয়ানা তিন্নদুনা শেম্বনি। অসিগুম্বা খেন্নবা কাঙলূপশিং অসিগী চৎনবী-নাৎ, চাকচা-য়িথক, হৌরকফমনচিংবা কয়া মশক খঙগে হায়রবদি কাঙলূপশিং অদুগী সংস্কৃতি কুপ্না নৈনবা তাই। অদুবু পুৱারীগী থৌদোক-ৱাথোক কয়ানা মরম ওইরগা কাঙলূপ অমগী সংস্কৃতিদা অওনবা পুরকপগী ৱাফম কয়াসু ঐখোয়না থেংনরি। য়েলহৌঙৈদগী লোয়নজরকপা, সংস্কৃতিগী ওইবা মশকশিং কয়া উখিদবা অমদি খরনা মমিংতগী ওইনা লৈহৌবা কয়া অমসু য়াওরি। ভারতকী অৱাং- নোংপোক্তা চোইজাইননা খুন্দারিবা মৈতৈশিং অসিসু মশাগী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতিগী পুঁকে অতোপ্পা কনাগুম্বা অমত্তদগী তাদনা লৈরি। অসিগুম্বা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা সংস্কৃতিগী মশকশিং অসি মণিপুরদা তাংকক নাইনা থোরকখিবা মপান লমগী মীওইশিং অমসুং লাইনীংনা মরম ওইরগা কাঙলূপ অসিগী সংস্কৃতিদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকখি। হান্না লৈরম্বা চৎনবী কয়া থাদোক্তুনা অনৌবা অহোংবা অমা পুরকখি। হান্না লৈরম্বা চৎনবী কয়া থাদোক্তুনা অনৌবা কয়া শেম্বা লোয়নননা হান্না লৈজরম্বা কয়াগা মশক-মওঙ মান্ননা শেমদোক্তুনা চৎনবা হৌরকখি। অঙ নবা মতমদগী মৈতৈশিংনা মশাগী লাইনীং অমসুং চৎনবী লৈরক্লবসু মৈদিংঙু চরাইরোংবা অমসুং মৈদিংঙু গরিবনিৱাজগী মতমদা লাকখিবা অহোংবশিংনা হেন্না অকনবা ঈথিল পীদুনা অনৌবা য়াওল অমা পুরকখি। মতম অসিদা লাকখিবা অওনবশিং ১৯ শুবা চহীচাদসু লেপ্তুনা চেন্থরকখি। মতমসি য়ৌরকপদা হিন্দু লাইনীং মপূঙ-মরৈ ফারক্তুনা হেন্না মরা চেৎপগা ঈরোইননা হরাও-কুম্মৈ, জগোয়-ঈশৈনচিংবা কয়াগী অনৌবা নীংথিজরবা খূৎশেম কয়া থোরকখি। ১৮ অমদি ১৯ শুবা চহিচাদা মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌশিংনা ফজরবা অমদি মালেমদা খুনাই অসিগী লেমজনিংঙাই ওইবা সংস্কৃতিগী খুদোল কয়া তম্বীরম্মী। ১৯ শুবা চহিচাদা মহারাজ চন্দ্রকীর্তি (খৃষ্টকুম ১৮৫০-১৮৮৬)না মণিপুরদা নিংথৌ ওইনা পানবা মতম অসি নট সংকীর্তন, জগোয়-ঈশৈগী লমদা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা মতমনি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা তোঙান- তোঙানবা নাৎকী লমদা তৌরম্বা খুদোলগী মতাংদা মখাদা থমলি।

**নিত্যরাসঃ** মালেমদা মৈতৈশিংগী লেমজনিংঙাই ওইরিবা জগোয় রাস অসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা হৌদোকপীরম্লবসু হায়রিবা জগোয় রাস অসিগী মখল কয়া মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌশিংনা মথং-মথং হাপকৎলকখি। ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা 'মহারাস', 'বসন্তরাস', 'কুঞ্জরাস' রাস মখল অহুম হৌদোকপীরম্মী। মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা 'নিত্যরাস' হায়না খঙনরিবা মখল অসিগা অমুক হৌদোক্তুনা জগোয় রাসকী পূক্কেদা মমল য়াম্লবা খুদোল তম্বীরম্মী। অদুবু রাস মখল অসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা রাসতমক হায়বদি ঈশ্বরগী মফমদা কায়দনা কৎননবতা ওইনা শেম্লম্বগী ৱাফম থেংনৈ। মসি মীয়াম য়েঙবা য়ানবা দৃশ্য কাব্য অমা ওইনা শেমগৎলকখিবদি মৈদিংঙু চুরাচান্দগী মতমদনি। ৱাফম অসি চৈথারোল কুম্বাবাদসু পল্লী। মদুদিঃ-

খোরীখুন বোলোসিংগী কুম শক ১৮২৬। ... ইঙেন থা য়ুমশকৈশনা হনএ।... ১৫ নি য়ুমশকৈশদা বর সাহবকী বাঙ্গালা মমাঙদা মাঙোপ খন্দুনা স্নাতোম্বীনা মকোক চিংদুনা নর্ত্ত রাস শান্নৈএ। মী য়াম্না য়েংএ।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগা লোয়ননা কোনুংগী ব্রহ্মসভা অমদি পণ্ডিতশিংনা কুপ্না খন্নরবা তুংদা রাস অসি শ্রীগোবিন্দগী লীলা-মৃত্তগী ঈশৈগী শরুক অয়াম্বা লৌখৎতুনা শরতকী থা অমা বসন্তগী থা অমা নত্তনা অতৈ নুমিৎশিংদা শান্নবা য়াননবা শেম্বীরম্বনি। জগোয় রাস অসিগী নুংগী ওইবা ভাবতি-জগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণনা অভিসার তৌরগা বৃন্দাগা লোয়ননা লৈগী শয্যা শেমদুনা ইবেম্মবু ঙাইজবা অমসুং শ্রীমতি রাধিকাগা লোয়ননা গোপীশিং থুংলরবগী তুংদা নিতি-লীলা অসি শান্নৈ। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা জগোয় রাসতা নত্তনা জগোয় রাস অসিগা লোয়নবা গোপী বৃন্দাবন পরেং অমসুং খুরুম্বা পরেং ভক্তিঃ মখল অনি অসিসু পুথোক্তুনা কৎপীরম্মী। জগোয় রাসকী ফিজেৎ-লৈতেং অমসুং নুপীশিংগী শৈশকশিংগী ফিজেৎ-লৈতেংগী লমদসু হেন্না ফজবা থাক অমদা পুখৎপীরম্মী। কোক্তুম্বী ফিজেৎতগী নিত্যরাস জগোয়গী ফিজেৎনা মওঙ তোঙাল্লি। থবাক য়েৎ য়াওদে। কোক্তুম্বীগী মহুৎতা তুংদা শম পুল্লগা সনা মচু তম্ফা থিনবা ধাতুগী অমদি চমকি কিনারনচিংবা থিন্দুনা শেম্বা, লাইপক মপাদা ঝাঁপা নাকোঙ অনীদা কর্ণকুল, শমজিদা শমজি ময়োল, শমজিচপ, শমজিশেৎ, কুরাক থেৎপা ফিজেৎ মখল অসি নিত্যারাস ফিজেৎ হায়না খঙনৈ। মসি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তি হাক্তক্তা শেমগৎলম্বনি। অসিতসু নত্তনা নুপীশিংগী শৈশকশিংদা ফিজেৎ- লৈতেংগী মরমদা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা হেন্না ফজনবা হোৎনরম্মী। নুপীশিংগী শমজি নাতোন শাংনা তাবা (থাদবা), নুপী খুজি শিবা, ইন্নফি য়ান্না পাবা মোইরাং ফীজিন চনবা, মতমদুদা ফংবা লীক, শমজি লৈনচিংবনা কেবগী মওংশিং অসি মৈদিংঙু অসিগী হাক্তক্তা হাপকৎলকখিবনি। জগোয় রাসতা শ্রীকৃষ্ণ অমসুং গোপীশিংগী ফিজেৎ তোঙাল্লি। অদুগা মসি নৎতবা গোপিগী ফিজেৎ মখল অনিসু শীজিন্নবা থেংনৈ। মদুদি কোকতুম্বী অমসুং ঝাঁপা। অকোনবগী ঝাঁপা ফিজেৎ অসিদি গোবিন্দগী কৎলিবা মহারাস, কুঞ্জরাস অমসুং বসন্তরাস অহুম অসিদদি শেৎনদে। নিত্যারাস অমসুং দিবারাস রাস মখল অনি অসিদা শেৎলিবা ফিজেৎ অসিদি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা নিত্যারাসগা লোয়নননা হৌদোকখিবনি।

**মনোহরসাইঃ** মনোহরসাই হায়না হৌজিক্কী মতমদা তপ্না তপ্না শিথরকলিবা কীর্তন শৈশক মখল অসিসু মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা হৌদোকলম্বনি। কীর্ত্তন মখল অসি তশেংনা মপানদগী লৌশিনবনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। নিংথৌ অসিনা মপানগী মফম কয়াদা তোয়না চৎপা অমদি বেঙ্গল অমসুং মসিগা নক্লবা লমশিংদা চৎনরিবা বাঙ্গলা কীর্তনগী ফজবা মশক অমা পুক্নিংদা ফাওরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরমদি মহারাজনা জিলা দরবার খোঙলেঙবদা বাঙ্গলা কীর্তন শৈশক মখল অসি উখিবগী ৱাফম থেংনৈ। মৈদিংঙু অসিগী মতমদা বঙ্গদেশতকী সংকীর্তন শৈশক মখল অসিবু তম্বীনবা ওজা কয়া থৌথোকলুবতা নত্তনা মণিপুরগী থাং-তা, অমাইবা শাবা অমদি পূংগী মহৈ তন্নবা মীরৈবাক্তা থাদুনা হোৎনবীরম্মী।

মৈদিংঙু অসিগী মতমদা লাকখিবা মনোহরসাই সংকীর্তন অসিগা লোয়নবা কীর্তন মখল খরসু লৈরি। মদুদি-১) গড়েহাটি, ২) মনোহরসাই, ৩) রেনেটি, ৪) মন্দারিনী, ৫) ঝড়খণ্ডী। হায়রিবা মনোহরসাইগা লোয়নবা সংকীর্তন শৈশকশিং অসিগী তোঙান- তোঙানবা লীখুনশিং পীনৈ। মখলশিং অসিগী মতাংদা ঃ-

শ্রীচৈতন্যদেবনা মশাগী চহি ৪৮ শুবদা শ্রীজগন্নাথ মন্দিরদা অন্তরধ্যান ওইবিখ্রবা মতুং বঙ্গদেশকী মফম মফমদা গৌর ভক্তশিংনা প্রভুনা হৌদোকপীরম্বা কীর্ত্তন শৈশক মখা তানা শমথবিরম্মী। সংকীর্তনগী ঈহৌ অসি মতমগী মতুং ইন্না গৌর ভক্তশিংনা মা-মানা লৈরম্বা খুঙ্গং, জিলাশিংদা অনৌবা শৈশক খরা হাপচীন্নরকখি অসিগুম্বা শৈশক মখলসিদা, ১) গড়ে রহাটি কীর্তন, ২) রেনেটি (রানিহাটী), ৩) মন্দারীনি, ৪) মনোহরসাহী, ৫) ঝরখণ্ডি হায়বা শৈশকশিং অসি বৈষ্ণব গোস্বামী, গায়ক, বাদকশিংনা মা-মানা পামজবা মতাঙদা শক্ল-শোন্নরকখি।

অদুগা অমুকসু ঃ- কনার্ট প্রদেশতা খ্যষ্টমাঙ মরীশুবা চহীচাদা কুনী কৌবা ব্রাহ্মণ শাগৈ অমা লৈরম্মী। মখোয়না তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং খায়দোক্তুনা ভারতকী মফম কয়াদা খুন্দা লৈতাখিবদগী লাইনীং - লাইশোনগী ওইবা ঈশৈ কীর্ত্তন ঈশৈ ভারত্তা মথং-মথং চাওখৎলকখি। ব্রাহ্মণ কাঙলূপশিংসিগী অরোইবা আড়বার কৌবা ব্রাহ্মণশিংনা উরিষ্যা, বঙ্গদেশনচিংবগী মফম কয়াদা খুন্দাদুনা কীর্ত্তন সংগীত অসি য়ান্না চাওখৎলকখি। লোয়ননা কীর্ত্তনিয়া সম্প্রদায়শিংনা মখোয়না লৈরু লৈরুবা মফমশিংদুদা শৈশক মঙা পুথোকখি। হায়রিবা শৈশক মঙা অসিদিঃ- ১) গড়েরহাটি, ২) মনোহরসাই, ৩) রেনেটি, ৪) মন্দারিনী, ৫) ঝড়খণ্ডী অসিনি।

অসিগুম্বা তোঙান- তোঙান্না লৈরিবা সংকীর্তনশিং অসি মণিপুর য়ৌরকপদদি পূন্নমক অমত্তা ওইনা তিন্নদুনা অদুমক মনোহরসাই হায়না খঙনরে। অদুগা মণিপুরদা চৎনরিবা মনোহরসাই সংকীর্তনগী মথক্তা ময়নাদানগী রাসবিহারী মিত্র ঠাকুরগী ময়নাদান শৈশকসু পুল্লি হায়না মত পীরি। শৈশক অসিবু ময়নাদাল চৎতুনা তমলুবা মণিপুরগী ওজাশিংগী মনুংদা নিংথৌখোংগী নীলকমল অমসুং ইম্ফাল কাংজাবীগী নোংমাইথেম তোম্ব ওজা অনি অসিনি। কীর্তন মখল অসিসু মনোহরসাই অমত্তা ওইনা পুমতিন তিনখ্রে।অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মৈদিংঙু অসিগী মতমদা মণিপুরদা মনোহরসাই সংকীর্তন হৌদুনা চৎনরকখিবা অসিমদি য়ান্না ময়েক শেংলে। বঙ্গদেশতগী কৌথোকলুবা ওজাশিংগা লোয়ননা অহানবা ওইনা মনোহরসাই সংকীর্তন বৃন্দাবনচন্দ্রগী মফমদা ঘটস্থাপন তৌদুনা পুজাগী থৌরম ঙাক্না কৎখি। নিংথৌ অসিনা সংকীর্তন মখল অসি থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবদগী মণিপুরগী লৈহাওগা চুননা ঙসি ফাওবা হিংবা ঙমলি। মনোহরসাই সংকীর্তনগী মমীং লৈবা গুরু খরগী মিং পল্লবদা চীংঙাখম মেরী শেলুংবা, ঠাকুর রেবতি শর্ম্মা, নোংমাইথেম তোলেন সিংহ, হাওবম ওজা, হুইদ্রোম ঝুলোনমচানচিংবা পনবা য়াই। মনোহরসাই সংকীর্তন শৈশক অসি মখা তানা চূড়াচন্দ মহারাজগী মতমদসু শক্লাইরবা ওজা কয়ানা লেপ্তুনা চাউখৎনবা হোৎনবীরম্মী।

মনোহরসাইগী সংকীর্তনদা শীজিন্নরিবা খোল হায়না খঙনবা পূং মখল অসিসু মৈদিংঙু অসিগী মতমদা মনোহরসাই শকপা ওজাশিংনা পুশিল্লকখিবনি। অঙনবা মতমদা লৈবাক্না শক্লরমলবসু হৌজিক্তি উনা শাদুনা শীজিন্নরে। মনোহরসাই সংকীর্তনগী মরু ওইবা রসদি মনশিক্ষা, প্রার্থনা, ভজন অমদি লালসানি। ফিজেৎ- লৈতেংদা ত্রিকচ্ছ খুৎশেৎ অমদি খ্বাঙয়েৎ য়েৎলি। কোকয়েৎতি য়েৎনদে। লেংয়ান, লীক, লুগুণ, দ্বাদশ তিলক অসিনচিংবনি। অদুগা কনাগুম্বা পূং য়ৈবা ঈশৈ শকপশিংনা নিংথৌগী মনাফি ফংলবদি মদুসু শীজিন্নবা য়াই।

**দেবী ধুমেলঃ** মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা ধুমেল সংকীর্তন শেমগৎলম্লবসু মতুং পাল্লকপা নিংথৌশিংগী মতমদা চাওখৎলকখিবনি। অহানবা ওইনা মহাধুমেল মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা শাস্ত্র অমদি সংকীর্তনগী ফজবা মশক কয়া য়েংলগা অমসুং মতমদুগী পূং-ঈশৈগী ওজাশিংগা তান্নরগা কৎননবা হোৎনখি অদুবু লাইবক থীবদগী কৎপা ঙমলমদনা নোঙ্গাখি। মহা ধুমেল মচাইবুংঙো চৌরজিৎনা কৎখি। মসিগী মতুংদা মথং-মথং 'নিত্যাই ধুমেল', 'গৌরধুমেল', 'দেবী ধমেল'শিং তোঙান-তোঙানবা নিংথৌগী মতমদা শেমগৎলকখি। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তি জিলা দরবার খোঙলেঙবদা জিরিগী কালিমাইদা ধুমেল অসি কৎচগে হায়না লেপখিবা অদুগী মতুং ইন্না শক্লাইরবা ওজাশিং য়ূমনাম যদুনাথ, সিনাম ওজা ইন্দ্রনচিংবা কয়াগা তান্নদুনা শেমখিবনি। দেবী ইমাগীদমক অখন্ননা শেমদুনা কৎখি হায়বগীদমক ধুমেল মখল অসিবু দেবী ধুমেল হায়না খঙনখি। দেবী ধুমেল অসি কৎনিংবা মতমদা কৎপা য়াদে। মসি শুপ্পগী দুর্গা পূজা খক্তদা কৎনৈ।

**জগোই শাবী লোয়শঙঃ** মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা জগোই শাবী লোয়শঙগী মফম চাওনা লৈরম্মী। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা লোয়শঙ অসি মপূঙ মরৈ ফানা চাউখৎলকখি। অদুমকপু লোয়শঙ অসি শাবা হৌরকখিবসি মৈদিংঙু চৌরজিৎ (খৃষ্টকুম ১৮০৩-১৮১৩) না পানবা মতমদগী হৌরকখি হায়না রেকোর্ড ফংই।

ইরোম কোইবগী কুম শক ১৭২৬ শজিবু থা য়ুমশকৈশনা হনএ। ... মেরা থাদি থাঙজনা হনএ। ... ১০ নি নিংথৌকাবদা শঙকাই, কংলা, য়ূমজাও, লৈখোমশঙ, ঈরুশঙ, শ্রীগোবিন্দজীগী লাইশঙ নার্তশালা শঙ ৭ মা হৌএ।

লোয়শঙ অসি T.C. Hodson না চেক অমদি চিংশু উনা শাবগী ৱাফমসু পল্লম্মীঃ

The Temples, both private and public, are build of brick, and the walls of the natch ghar or dancing house which is built in the trabeated style with massive teak beams of enormous size and the thickness are also of the same material.

অদুগা লোয়শঙ অসি গম্ভীর সিংহ মহারাজগী মতমদা অমুক্কা হন্না শাদুনা শঙ্গাবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবাদা পল্লম্মী। জগোই শাবী লোয়শঙ অসি চৌরজিৎ মহারাজগী মতমদা শারম্বগী ৱাফম লৈরবসু লোয়শঙ অসি নীংথিজনা শাবা অমদি অঙাং নুপামচাশিং জগোই তম্বীবা হৌরকপদি মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী হাক্তক্তগীনি। সুপ্নগী জগোইতা নত্তনা মণিপুরদা নৌনা লাকপা মনোহরসাই সংকীর্তন, যন্ত্রগী লমদা তবলা, এসরাজনচিংবা যন্ত্রনা জগোই শাবী লোয়শঙগী লেমজনিংঙাই ওইরকখি। নিংথৌ অসিগী মতমদা নাট্যশালা অসিনা মৈতৈশিংগী নাৎ চাউখৎপগী লমদা অচৌবা থৌদাং য়াখি। লেয়শঙ অসিদা লৈরম্বা মমীং লৈবা ওজাশিংগী মিং খরদং পল্লবদা- খুবোম লাঙ্গোই, হিজম তোঞ্জি, সনা ফাইবোকতোন, কৈফা শেল্লুংবা, শোয়বম যাত্রা, মেরি শেল্লুংবা, হিজম ঝুলোনমচা, তোলেন শেল্লুংবা, ইবোহল শেল্লুংবা, নম্বম লৈশং, থোকচোম দুর্গা সিংহ, রাজকুমার থম্বালসনা, হুইদ্রোম ঝুলোন মচা, শগোলশেম তোমচৌনচিংবা পনবা য়াই।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা জগোই লোয়শঙ অসিদা তোঙান- তোঙানবা লমগী জগোইশিং হৌরকপগী মরম অমসু ওইখি। মারবাক জগোই হায়না খঙনবা জগোয় মখল অসিসু মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা হৌরকখিবগী মতাংদাঃ লাইরেনময়ূম ইবুঙোহলনা মহাক্কী লাইরিক Introducion to manipuri দা পল্লি In the last part of Sir Chandrakriti reign Kathok dance was introduce by Kunjo Misri and Gopimohon in the Royal Place which was called by Manipuris Marbak Jogoi (Foreign dance) . It became very populars. After Manipur war it was very much degenerated so much so that the gentlemen class hated to see it was used as an instrument for extorting from low class people of Manipur and nighbouring provinces.

মৈতৈশিংগী নাৎতা অচৌবা খূদোল লৈরিবা জগোই শাবী লোয়শঙ অসি মণিপুরনা বৃটিসকী মীখা পোনখিবগা লোয়নননা খৃষ্টকুম ২৯-০৭-১৮৯২ গী ঈরাই নুমিৎতা সাহেবশিংনা শিদোকখি। অদুবু চূড়াচান্দ মহারাজনা পানবা হৌরকপদগী লৈবাক মরা তপ্পগা লোয়নননা জগোই শাবী লোয়শঙ অমুক হন্না হিংগৎহনখি। অনৌবা কোনুং শেমগৎপগা লোয়নননা জগোই শাবী লোয়শঙগী মফমসু পীবিখি। সনা সঙ্গায়গী খা-থংবা মনুং কাংজৈবুংগী নোংচুপ পাংবদা চেক অহিংবনা শাবা শঙ অহুম লৈরম্মী। মদুদি- হাউমচা লোয়শঙ, শঙ্গায় শঙবা লোয়শঙ, অমসুং নিংথৌ শেনবা লোয়শঙ। অকোনবগী লোয়শঙ অসিদা জগোই শাবী লোয়শঙসু পূন্না হিংমিন্নখি। অদুগা লোয়শঙ অসিদা নুপীমচাশিংসু জগোই-ঈশৈ তম্বা শরুক মহারাজ চূড়াচান্দনা য়াহনখি। অদুবু খৃষ্টকুম ১৯১১ দা হায়রিবা লোয়শঙ অসি ঈশিং-ঈচাওনা মরম ওইরগা ফীভম শোকখি অমসুং লোয়শঙ অসিগী মশাইকোনদা পাঙথোকলমবা নাৎকা মরি লৈনবা থবক -থৌরমশিং তপ্না-তপ্না লেপখি।

**দূর্গা পূজাঃ** হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলগী অচৌবা কুম্মৈ অমসুং ঈরাৎ-পূজাগী থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকনরিবা দূর্গা পূজা অসি মণিপুরদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা হৌদোকলম্বনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা চৈথারোল কুম্বাবাদা অসুন্না ইরিঃ-

কুম্বীখুন নাথাবগী কুম শক ১১৭৩।... মেরা থা ঈরাইনা হনএ। ... ১০ নি থাঙজদা ৱাক তানবদা মমাঙঙৈদা তৌখিদরিবা লাইরেম্মা দুর্গাবু মূর্ত্তি শাদুনা পূজা তৌএ।

চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লিবা শকাব্দ অসি খৃষ্টাব্দদা পারবদি খৃষ্টকুম ১৮৫১ দনি। দুর্গা পূজা অসি হৌজিক মণিপুরদতা নত্তনা মণিপুরগী মপান্দা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগীসু অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইনা লৌনরে। অদুবু অনৌবা মীরোলনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দূর্গা পূজাগী মতমদা মৈতৈশিংগী লাইরেম্বী পান্থোইবী অমসুং লাইখূরেম্বী ওইনা লাৎপা অসি চৎনরকলি। কুম্মৈ অসি মৈতৈশিংনা মেরা থাগী তরুক্কি পানবদগী হৌরগা তরানি পানবা ফাওবা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাঙথোকনৈ। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিনা হৌদোকপীরমবা দূর্গা পূজা অসি ঙসিদি মৈতৈশিংনা ঈরাৎ-পূজাগী অচৌবা পূম্মৈ অমা ওইনা লৌনরে। অদুবু মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমদি মণিপুরদা দূর্গা পূজা চঙলকত্রিঙৈ মমাঙদা মেরা থাদা পোনবী ৱাকমবোং চীংনুং নোঙ্গৌবীবু ঈরাৎনরম্মী। মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্মগী লৈরিবা ঈরাৎ-থৌনিগা চান্নবা মওংদা ওম্থোকতুনা চৎনরকখি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু দূর্গা পূজা অসি হৌজিক্তি মৈতৈশিংগী অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইরে।

**লৈবাকচাবা পালাঃ** পালা মখল অসি অরিবা নৎত্রগা বঙ্গদেশ পালাগী অতোপ্পা মিং অমনি। অরিবা নৎত্রগা বঙ্গদেশ পালাবু লৈবাক চাবা পালা হায়না খঙনরকখিবগী তোঙান-তোঙানবা মোৎ লৈ। অরিবা পালা বংদেশ, লৈবাকচাবা- সেবককী সংকীর্তন অমসুং ঈশৈ কৌবা লাইরিক্কী ৱামাঙ য়ানবদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী হাক্তক্তা যুহা অকনবা অমা হাখি। যুহা অদুদা বংদেশ পালানা শ্রীগোবিন্দগী সেবা কায়দনবা থৱাই থাবা পাম্মুদনা উপ্রাক্না হিপ্তুনা ময়ানা লৈবাক চিক্লগা খাঙলম্বা কীর্ত্তনীয়াশিংবু উরুবদা মহারাজনা পেল্লদুনা বঙ্গদেশ পালাগী মীংবু লৈবাকচাবা পালা হায়না মিংথোখি। শ্রীগোবিন্দগী সেবা লেপ্তুনা ফংবা ওইয়ু হায়না তাকপিখি। অনিশুবা মরম অমনা বঙ্গদেশ ঈশৈ শকপা ময়াম পূল্লগা পালা অসিগী পরম্পরা নীতি-নিয়ম ঙাকনা চারোল-শুরোল ফাওবা কায়দনা থমসি হায়না ঈশিংদা লৈবাক নৈদুনা থক্লগা ৱাশকনখিবদগী লৈবাকচাবা পালা হায়না খঙনখি হায়না থাজনৈ। অহুমশুবা মরমনা লৈবাকচাবা হায়বদি লৈবাক ঙাকপা হায়বনি। হায়রিবসি চৈথারোল কুম্বাবাদা ময়েক শেংনা পল্লি। মদুদিঃ-

ককচিং কৈথেনগী কুম শক ১৭১২ । ... লমদা থা থাঙজনা হনএ। ... ইবুংশীজ শাগোলশেনবা হন্থবা রোমানচিংনা লৈবাকচাবা মী ৭০০ থমলমএ।

চৈথারোল কুম্বাবাদা পল্লিবা লৈবাক চাবগী অর্থসি লৈবাক ঙাকপা ওইনা লৌরি। অদুনদি লৈবাক চাবা পালা অসি লৈবাক ঙাকপা হায়বদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়নননা ঈশ্বরগী মিংলেন শকচ- শোঞ্জবা কাঙলূপ্পু খঙনবনা হেন্না মরীক চুমগনি।

(অনিশুবা শরুক মথঙ থাংজদা)